
## মালেমগী অঙকপশিং

## গ্রেট ব্লু হোল



কেরিবিয়ন সিদা বেলিজদগী কিলোমিটর ৭০ (মাইল ৪৩) লাপ্পা ঈশিং ময়ায়দা অহোবা অমগী মওংদা লৈবা গ্রেট ব্লু হোলগী অরুবা মিটর ১২৪ (ফুট ৪০৭) নি। ইকোয় কোয়না লৈবা অহোবা অমগী মওং মানবা গ্রেট ব্লু হোল চহী ১৫,০০০গী মমাঙদগী থেংনরকখিবনি।

রিছার্সরশিংনা থিজিন-হুমজিনবদা চহী ১৫,০০০গী মমাঙদা ওইরকখিবা ঈশিং ময়ায়দা লৈবা অহোবা মখুল অসি হৌজিক ফাওবগী ওইনা অঙকপা অমা ওইনা লৌনরি। বেলিজ বেরিয়র রিফ রিজর্ব সিষ্টেমগী মনুং চল্লিবা গ্রেট ব্লু হোলবু য়ুনাইটেদ নেসন্স এদ্যুকেসনল, সাইন্টিফিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (য়ুনেস্কো) না ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট ওইনা লাউথোকখ্রে।


কুমজা ১৯৭১দা জেক্স কোষ্টিয়ুনা মফম অসিদা জহাজ হোনজিন্দুনা গ্রেট ব্লু হোলগী অরুবা চপ চানা খঙদোক্লবা হোৎনখি। মতমদুদা অহোবা অসি মিটর ২১ (ফুট ৬৯) লুথনা লৈরম্বা থেংনখি।

মতমগী অওনবা মতুংইন্না গ্রেট ব্লু হোলগী অরুবা মিটর ১২৫ (ফুট ৪১০) য়ৌরকখি। কুমজা ১৯৯৭তা কেম্ব্রিয়ান ফাওন্দেসন্না এক্সিপিদিসন অমা পাঙথোক্তুনা হীরম অসিগী মতাংদা থিজিনবদা গ্রেট ব্লু হোলগী অরুবা মিটর ১২৪ (ফুট ৪০৭) ওইরম্বা থেংনখি।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লমকোয়বশিংনা মফম অসিবু খোইদানা য়েংনবগা লোয়ননা স্কুবা দাইভরশিংনসু মফম অসিদা চোংথনবগী খুদোংচাবা ঙাইদুনা লৈনরি।

কেরিবিন সিগী ময়ায়দা অহোবা মখুল অমগুম্না লৈরিবা মফম অসিদা সার্ক অমদি তোঙান তোঙানবা থৱায় পানবা কয়ামরুম লৈ। কুমজা ২০১২দা দিস্কভরি চেনেলনা গ্রেট ব্লু হোলবু মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী অঙকপা মফম ১০ খনগৎপদা য়াওখি।

## কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... - জোজ দব্লিয়ু বুশ -



কুমজা ২০০১ দগী ২০০৯ ফাওবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী লৈঙাক পায়খিবা লৈবাক অসিগী ৪৩ শুবা প্রসিদেন্ট জোজ দব্লিয়ু বুশ কুমজা ১৯৪৬ কী জুলাই ৬তা পোকখি। মহাক কুমজা ১৯৯৫ তগী ২০০০ ফাওবা টেক্সাসকী গভর্ণরসু ওইরম্মী। বার্বাবা অমসুং জোজ দব্লিয়ু বুশকী মচানুপা অহল ওইনা মহাক কন্নেক্টিক্টকী ন্যু হেভনদা পোকখিবনি। কুমজা ১৯৫৮ তা য়েল য়ুনভির্সিটিদগী গ্রেজ্যুএসন লোইরবা মতুংদা মহাক হারবার্দ বিজনেস স্কুলদা তমখি। বিজনেস স্কুলদগী থোক্লক্লগা মহাক ওইল বিজনেস তৌখি। মহাক কুমজা ১৯৭৭ তা লোরা ৱেলচকা লুহোংখি অমসুং মতম খরা লৈরগা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসকী মীখলদা মীরেপ ওইনা চোংথোকখি। তৌইগুম্বসুং মহাক মীখলদা মায় পাকপা ঙমখিদে। মতম খরা লৈরগা মহাক টেক্সাস রেঞ্জর্স বেজবোল টিমগী কো-ওনর অমা ওইরকখি। মদুগী মতুং খরা লৈরগা কুমজা ১৯৯৪ গী টেক্সাসকী গভর্ণর খনবগী মীখলদা মহাক এন রিচার্দসপু মায়থীবা পীখি।

কুমজা ২০০০ গী য়াম্না নক্লা লম্বা তৌনখিবা প্রসিদেন্টকী মীখলদা মহাক দোমোক্রেট অল গোরবু মায়থীবা পীদুনা প্রসিদেন্ট ওইখি। মহাক্কী লম্বাগা চাংদম্নবদা লৈবাক্কী ওইনা ভোট মশিং নেম্না ফংলবসু য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ওইবা মরিশুবা মীশক ওইখি। য়ু এসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট অমগী মচানা প্রসিদেন্ট ওইরকখিবদা মহাক্না অনীশুবনি। জোন ক্বেন্সি অদামনা অসিগুম্বা ইমুংদগী হৌরকখিবদা অহানবনি।

জোজ দব্লিয়ু বুশনা অহানবদা টর্মগী প্রসিদেন্ট ওইরকপা থা ৮ শুরকপদা সেপ্টেম্বর ১১ গী টেররিষ্ট এটেকশিং থোকখি। মদুগী পাউখুম ওইনা বুশনা 'বুশ দোক্টিন' হায়না খঙনরকখিবা টেররগী মায়োক্তা লাঞ্জং চঙশিনবা হৌখি। মহাক্কী ৱার ওন টেরর অদু মালেমগী মফম কয়াদা চত্থবা মিলিটরি কেম্পেন অমনি। কেম্পেন অদুগী শরুক ওইনা মহাক্না কুমজা ২০০১ দা অফঘানিস্থানদা লান হৌখি অমসুং কুমজা ২০০৩ দা ইরাক্তা লান তৌখি। মহাক্না ইকনমি, হেল্ঠ ক্যের, এদ্যুকেসন, সোসল সিক্যুরিটি রিফোর্মগী পোলিসীশিং চাউখৎহনখি। কনষ্টিট্যুসন এমেন্দ তৌদুনা মহাক্না মান্নবা সেক্স মশেল লুহোংবা থীংখি। কুমজা ২০০১ দা ওফিস পায়বা হৌবগা বুশনা ক্যোটো প্রোটোকোলগী মায়োক্তা লেপখি। মদু ক্লাইমেট চেঞ্জগা মরী লৈনবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ফ্রেমৱার্ক কনভেন্সনগী এমেন্দমেন্ট অমনি। এমেন্দমেন্ট অসিগী পান্দমদি গ্রীনহাউস গ্যেস ইমিসনশিং হন্থহনবনি। ব্রিজ অদু মালেমগী মীশিং অপুম্বগী চাদা ৮০ দদি কোমথোক্লি হায়রদুনা বুশনা ক্যোটো প্রোটোকোলগী মায়োক্তা লেপখিবনি।

বুশকী ফোরেন পোলিসী প্লেটফোর্মদা লেটিন অমেরিকা মরুওইনা মেক্সিকোগা শেল-থুম অমদি পোলিটিকেল মরী চেৎশিনহনবা অমসুং মফম কয়াদা লৈবাক শেম্বা অমদি লান মচা মচাশিংদা তেন্নবা হন্থহনবগী থৌরাংশিং য়াওখি। মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসননা নেসনল মিসাইল দিফেন্সকী থৌরাং পায়খৎখি। মহাক্না চাইনাবু ৱর্ল্ড ত্রেদ ওর্গনাইজেসনদা য়াওহনবগী ৱাফমসু কন্না শৌগৎখি। সেপ্টেম্বর ১১ গী থৌদোক মতুংদা বুশকী ওর্দরদা অফঘানিষ্টানদা টালিবান রেজিম চীংথুখি অমসুং ইরাক্তা সদ্দাম হুসেইনগী রেজিম চীংথুখি।

## ব্যুটি : লেজর ট্রিটমেন্ট তৌবনা মতম শাংনা শক-চু ফজনা লৈহনবা ঙম্মী



শক-চু ফজবা হায়বসি ঙল্লিঙৈ মতমদগী মীয়াম্না পাম্নরকই। অদুবু কে মৌবগী থবকশিং মতম-মতমগী ওইনসু হোংলক্লি। ইচম চম্না কেনরম্বদগী ঙসিদি সাইন্স অমদি টেক্লোলোজি চাওখৎলকপগী মতুংইন্না কেবা মৌবগী থবকশিংদসু অনৌবা মওংগী খুশু খুৎলাই কয়া শিজিন্নরক্লি। মীয়াম্না অনৌবা টেক্লোলোজি অমা ওইনা লেজর ট্রিটমেন্ট ঙসি য়াম্না পাম্নরক্লি। অমুক্তং লেজর ট্রিটমেন্ট তৌখিবনা মতম শাংনা শক চু ফজদুনা লৈবা খক নত্তনা হকচাংগী উনশা শিং নান্না দাকফম অমা ফাওবা লৈতনা ফজহনবা ঙম্মী।

অদুবু মীয়ামগী মরক্তা লেজর ট্রিটমেন্টকী মতাংদা চমম্নবা অমদি লান্না খন্নবা লৈতবসু নত্তে। মরম অদুনা লেজর ট্রিটমেন্টকী মতাংদা খন্নরিবা অরানবা অমদি অচুম্বনা করিনো হায়বদু খঙমিন্নবা য়াই।

**লান্না খন্নবা:** লেজর ট্রিটমেন্ট তৌবগী মথৌ তাদে। **অচুম্বা:** লেজর ট্রিটমেন্ট তৌবা শেল কান্নদবদা হুন্দোকপনি খল্লম্বা য়াই। অদুবু হকচাংদা থেংনরিবা প্রোব্লেম খরদদি লেজর ট্রিটমেন্ট তৌবনা মতম পূম্বগী ফবা হায়বদুসু ওইরি। হিদাক্লা য়ারক্তবা তাঞ্জাদা লেজর ট্রিটমেন্টগী তঙাইফদবা লৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা পামদবা মফমশিংদা শম হৌবা, টেট্টু, দাগফম অমসুং পোক্লকপদগী য়াওরকপা দাগফমশিং লেজর ট্রিটমেন্টগী মতেংনা মতম পূম্বগী ওইনা কোকহনবা ঙম্মী।

**লান্না খন্নবা:** লেজরনা উনশাদা শোকহনবা য়াবা রেদিয়শন পী। **অচুম্বা:** লেজর ট্রিটমেন্টদা শিজিন্নরিবা লাইট উনশাদা করি অমত্তা শোকহন্দে। মরম অদুনা লেজর ট্রিটমেন্টগী মতেং লৌদুনা শক ফজনবা হোৎনবদা কীনিঙাই ওইদে।


**লান্না খন্নবা:** লেজর ট্রিটমেন্ট তৌবনা উনশাগী লায়না শন্দোকপা য়াই। **অচুম্বা:** ট্রিটমেন্ট অসি উনশাগী মনুং ফাওবা চংনা তৌবনা মপানগী ওইবা উনশাগী শন্দোকপা য়াবা স্কিন ইনফেক্সন তৌনবগী মচাক লৈতে।

**লান্না খন্নবা:** লেজর ট্রিটমেন্ট তৌরবা মতুং মরক্তা লেপ্পবদি উনশাদা য়াম্না শোকহল্লি। **অচুম্বা:** লেজর ট্রিটমেন্ট তৌবনা উনশাবু রিজুউনেট তৌহল্লি। মরম অদুনা লেজর ট্রিটমেন্ট তৌবা লেপ্পবসু করিমত্তা মাংজবা লৈতে।


**লান্না খন্নবা:** লেজর অয়াম্বা চপ মান্নে। **অচুম্বা:** তোঙান-তোঙানবা প্রোব্লেমশিংগী তোঙানবা ট্রিটমেন্ট লৈ। ট্রিটমেন্ট তৌবদা শিজিন্নরিবা মেছিনশিং লাইওংদুগী মতুংইন্না লোয়না খেৎনৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা উরিং থুংবগী নত্রগা পামদবা মফমশিংদা হৌবা শম লৌথোক্লবগী তোঙান-তোঙানবা লেজর ট্রিটমেন্ট তৌই।

**লান্না খন্নবা:** লেজরনা স্কিন চাকপা য়াই। **অচুম্বা:** ঙসি হায়রিবা ট্রিটমেন্টশিংদা শিজিন্নরিবা লেজর ফোটো-থ্রোম্বোলিসিসগী থিওরিদা তৌই। হায়রিবা টেক্নিক অসিদা লেজর লাইট মেজিক বুলেট অমগুম্না দাইরেক্ট টারগেটতা থবক তৌই। মরম অদুনা স্কিনদা অমাংবা অমত্তা লৈহন্দে।






Title: Scenery
By: K.Samananda
Class: IV Sec: A Roll No. 36
School: Standard Robarth Hr. Sec. School




Title: A Kangaroo
By: Oinam Atee Devi
Class: IV Sec: A Roll No. 39
School: Kids' Foundation




Title: Minecraft Creeper Holding Diamond Sword
By: Earnest Arambam
Class: II Sec: C Roll No. 18
School: Kids' Foundation




Title: Nupi Lan & Irabot Day
By: Nibedita Khumukcham
Class: III Sec: A Roll No. 53
School: Little Flower School



Title: Scenery
By: Gabriel Laishram
Class: II Sec: A Roll No. 3
School: Kids' Foundation




Title: Scenery
By: Arambam Julie Chanu
Class: II Sec: B Roll No. 36
School:



Title: Pokemon
By: L. Mangal
Class: V Sec: Jasmine Roll No. 17
School: (SL) Arena of Learning




Title: A Bird
By: Nongthangphaba
Class: III Sec: A Roll No. 38
School:



Title: Crane
By: Koijam Ranajit
Class: II Sec: A Roll No. 55
School: Standard Robarth Hr. Sec. School



Title: Mushroom
By: Kh. Rekson Singh
Class: III Sec: A Roll No. 65
School: Standard Robarth Hr. Sec. School



Title: Jasmine Flower
By: Suzen Devi
Class: II Sec: C Roll No. 37
School: Kids' Foundation



Title: Flower
By: Shriya R.K.
Class: III Sec: B Roll No. 50
School: Kids' Foundation